‘‘মীওইবগী হিংবগী হক ফংদনা কোলুগুম্না চপখায়রক্লবা মতমদা ইরাবতনা মীয়ামগা লোয়ননা মায়োক্লখি’’

– বিজয় লাইশ্রম –

জন নেতা হিজম ইরাবোতনা মীওইবগী হিংবগী হক মরেক মহাউ ফংদনা ৱানা পুন্সি লেল্লিবা মীয়াম্বু মান্নবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা লৌরকখিবা থৌদাংবু ঙসিগী মীরোলনা হন্না হন্না নৈনবা মথৌ তারি। মহাক মণিপুরগীদমক্তা তাইবঙ শেন্বা মপুনা খুদোল তৌবীরকপা মীশক অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মহাক লাইরিক য়াম্না হৈজদবা য়াই অদুবু মহাক য়াম্না ইন্টিলিজেন্স লৈবা অমদি পোল্লককপদগী য়াওজবা মমা লৈবাক নুংশিবগী অমসুং খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীশিংগী থোং মান্নবগী ৱাখলদি অদুম য়াওরকই হায়না সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. মোইরাংথেম নরনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা মহাক্না মখা তানা হায়, মীগা মীগা খেন্নবা লৈতনা নুংশি চান্ননা অমসুং অমত্তা ওইনা হিংবগী পুন্সি, মগুন লৈবা খুন্নাই অমগী পান্দম খেন্নবা লৈতবা, মীনা মীবু ব্যবহার তৌবা, পুন্সিবু য়াম্না ইকায়খুম্নবা, খুন্নাই অমগী পন্দুপ অদুবুনি খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি। মাগী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি নৈনরুবা ইতিহাস অদুদা খঙই মদুদি মণিপুরগীমক্তা মতম অদুগী বৃটিশ সম্রাজ্য লোই লমগী সাসননি, য়াম্না শাথীখ্রবা, মদুগী মথক্তা নিংথৌগী সাসননি।

মপু অনীনা নমশিল্লগা লৈবা মীয়ামগী পুন্সি মরেল অমনি। মসি ইতিহাসকী তাঙ্কক অমনি। ইরাবত পোল্লককখিবা, মাগী এক্টিভিটি ময়াম অসি নৈনবা তারগদি হায়রিবা ফেক্টর অসি উরগা ঙাঙনবা তাই। নিংথৌ পানবগী মীওৎ মীনৈ অসি চৎনবী ওইনা মালেমগী থাক্তা লৈ। মসিদা নত্তনা শেঞ্জাও পায়বা কোলোনিএল রুল মপু অনীনা লৈবা মতম অমনি। মদুদা ইরাবত ফাওরকইবনি। হান্না পীরম্বা কন্ট্রিব্যুসন অসি মহাক্না জোনষ্টোন স্কুলদা তম্লিঙৈদগী হৌনা ওজানা মহৈরোয় পরা ফাদবগী চৈনা কন্দুনা ফূবা ময়াম অসি উরুবগা মানা অঙাংদা ফূবীগনু, ফজনা পাউতাক পীবিয়ু। য়াম্না মেচ্যুওর ওইরবা মী অমনা হায়গদবা অদু অঙাং ওইরিঙৈদগী লোয়নরকখি। মহাক্না মীওৎ মীনৈগী থবকশিং উরুবদা খাঙবা ঙমখিদে।

কুমজা ১৯১৩দা মহাক্না ধাকাদা লাইরিক তম্বা চৎখি। মফম অদু চাওখৎলবা সহর অমনি। অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী ওইনদি ধাকা অসিনা অচৌবা সহর অমনি। মহাক্না ধাকাদা লাইরিক তম্বা চৎপা মতমদা মফম অদুগী চাওখৎপগী মঙাল হীরম খুদিংমক্তা থেংনরকখি। মহাক্কী মফমদা করম্না থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নগদগে হায়বা ৱাখল মতম অদুদগী ফাওখি। মহাক্না মণিপুরদা লাক্লগা মহাক্না নহা ওইবগী তাঙ্কক অসিদা য়েংবা য়াই। শান্ন-খোৎনবা হায়রো টাউন কম্মিটি লিংদুনা মানা হেক্তা হৌখি। মখল কয়াগী শান্নবা অসি মহাক্না হৌদোকখি। চূড়াচান্দ মহারাজগী হোকি টিমদা য়াওরকখি। থিএটরগী লম্‌দা হায়রো এম দি য়ুসু মহাক্না লিংখৎলক্লিবনি। মশামক্না মতমগী ঈশৈ হৌদোকপনি হায়দুনা মাগী মপোক নুমিৎতা পালন তৌজরিবনি। দ্রামা থিএটর, শুমাং লীলা ফাওবদা নুপী শাবী অসি মহাক্না হৌদোকখিবনি। রেজিয়া সুলটান (মুসলিম রুল্লর) গী লীলা অমা এম দি য়ুদা শান্নবদা রেজিয়া সুলটান শাবীনবা মী লৈতবদগী মহাক্না রেজিয়া সুলটান শারগা থোরকপা মতমদা অহলশিংনা তম্বদা য়াম্না অঙকপা অমা ওইখি। ইরাবতনা শাবনি হায়বসি কনাসু খঙখিদে। মহাক্না নাসিকা হুৎতুনা থোরকপদা য়াম্না অঙকপা ওইখি। মরম অদুমক্না ঙসি শুমাং লীলাগী পরম পরা অমা ওইদুনা হৌজিক ফাওবা লৈরিবা ফম অসিনি। আর্টিষ্টশিংনা ইরাবতকী মপোক নুমিৎতা তৌজরিবা কন্ট্রিব্যুসন অসি শুমাং লীলাবু হিংগৎহনবীরম্বা, অনৌবা ময়োল অমদা থৌনা হাপ্পীরম্বা অদুদি ইরাবতননি হায়বসি কাউনদ্রি।

অসুম তৌনা জর্নেলিজমসু ‘অনৌবা যুগ’ কৌবা জর্নেল অমা মখূৎনা ইরগা ফোংলম্মী। মহাক্না জেলদা লৈরিঙৈদা ইরম্বা ইমাগী পুজা কৌবা শৈরেং ৫২ লৈ। ঙসিদি সাহিত্য একাদেমি, ইন্দিয়ানা শক খঙলক্লদুনা ইরাবতকী পুজাদা য়াওরিবা শৈরেং ৫২ অসি ইংলিস লোলদা ট্রান্সলেট তৌরগা ফোঙনবা প্রোসেস পূম্নমক লোইশিল্লক্লে।

মসি ইন্দিয়াগী লৈরিবা লোলশিংদা শৈরেং অসি ফোংলক্কদৌরি। করিগীদমক্তা মাগী সাহিত্যগী নুংগী ওইবা অন্দরষ্টেন্দিং, সমাজ অসিগী অমসুং সোসাইটিদা করম্না মীগা মীগা মরী লৈনগদগে, পূম্নমক অদু মমি তাবা অদুননি। মানা লৈখিদ্রবা মতুংদা সাহিত্য রত্নগী এৱার্দ পীরকখিবনি। অসুম হায়না শান্ন-খোৎনবদা, কলচরদা, জর্নেলিজমদা লময়ানবা অমা ওইখি। মহাক্না সাহিত্য পরিষদসু লিংখৎতুনা জেনরেল সেক্রেটরি ফাওবা ওইরম্মী। নিংথৌগী মচা ইবেম্মা চূড়াচান্দ মহারাজগী ময়াম্লুং ইবুংঙো চন্দ্রহাসকী মচানুপী সনা ইবেম্মা খোমদোনসনা অসি নিংথৌনা মহাক্কী এক্টিভিটি অসি উরগা অচুম্বা মীওই অমা নত্তে নোংমদি লিদর অমা ওইরক্কনি হায়দুনা নিংথৌগী মরী মতা ওইনবা ৱাখল মচা ফাওবা থাজরিবনি। মসি ইতিহাসকী পন্দুপ অমনি। অদুবু মাগী ৱাখল্লোনদি নিংথৌগী অমদি বৃটিশ লোইলমগী লৈঙাক সাসনগী মখাদা কুইনা থবক তৌবা অসি য়ারক্লোইদবনিনা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎনীংবগী মীয়াম অসিগী ইগনোরেন্স মতম অদুগী চৎন-পথাপ ময়াম অসিনা ফাজিন্দুনা থন্বীবা অশেংবা মীগী মগুন ফুদোরক্কদবা সমাজ অদুদি নত্তে হায়না মহাক্না উরকই।

মরম অদুনা কুমজা ১৯৩৪দা নিখিল হিন্দু মণিপুর মহা সভা অসি লিংখৎখি। মরমদি মতম অদুদা পোলিটিকেল পার্টি লিংখৎপা য়াদে। মরম অদুনা ধর্ম্মগী মীংদা সোসাইটি, কলচরগী মীংদা লিংখৎলকপা নত্তনা মীয়াম অসি পোলিটিক্স তৌবা য়ারমদে। মরমদি নিংথৌ সাসন অসি য়াম্না ওটোক্রেটিক রুল অমনি। বৃটিশনা রুল তৌবা মতমদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তা লৈবা য়ারমদে। অদুবু ইরাবতনা খঙই পোলিটিক্সকী ৱাখল্লোন অসি মোটিভেট তৌদুনা মীয়ামগী ঈহৌ অসি শাগৎত্রবদি নিংথৌগী সাসনদা মীয়াম পূনবা য়ারোই, মীয়াম্বু নুংঙাইহনবা য়ারোই। বৃটিশকী লোইলম সাসন্না মীয়াম অসি চাওখৎহনবা য়ারোই হায়বা খঙখি। মরম অদুনা মহাক্না নিখিল হিন্দু মণিপুর মহা সভা অসি ধর্ম্মগী মীংদা করিগুম্বা খরা তৌবা য়ানবা হোৎনরকখিবনি। মতুংদা কুমজা ১৯৩৮ য়ৌরকপদা চহী খুদিংগী ফম্বা মীফমনি। অহানবা মহাসভা শেল্লবা মতুংদা মমৈথংদা সিলচরদা ফমখিবা, অহুমশুবদনা বর্মাদা ফমখি। মণিপুরগী মপান্দা লৈবা, অসামদা লৈবা, বাংলাদেশতা লৈবা অমদি চোইনা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংবু মানা পুনশিন্নবা হোৎনখি।

ঐখোয়গী লৈজরিবা পীকচরবসু ইতিহাসকী পরম পরাগী লাক্লিবা ফীভমসি য়েংলবা কান্দা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা তারিবশিং পুনশিন্নবা হোৎনখিবসি মহাক্কী চাওরবা কন্ট্রিব্যুসন অমনি। কুমজা ১৯৩৮গী দিসেম্বর ২৯ অমসুং ৩০দা নুমিৎ নীনি চূপ্পা চীংঙাদা মীফম ফমখি। হায়রিবা মীফম অদু য়াম্না মরু ওইবা মীফমনি হায়। নিখিল হিন্দু মণিপুর মহা সভাগী প্রসিদেন্টনা চূড়াচান্দ মহারাজনা ওই। অদুবু থবক্তি মীয়াম্না তৌবনি।

নুমিৎ নীনিগী মীফম অদু মহারাজ য়াওবা নত্তে, ইরাবতনা প্রিসাইদ তৌবনি। চীংঙা সেসন অসিদা লৌখিবা ৱারেপ অসি নিংথৌ সাসনগী মায়োক্তনি। মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎনা সাসন তৌবা, আইন সভা লিংবা, হায়বদি ষ্টেট এসেম্বলি লিংনবা ইরাবতনা দিমান্দ তৌবা হৌরক্লিবনি। মসিদা নত্তনা খুঙ্গং পূম্নমক্তা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর লিংগদবনি, খুঙ্গং পূম্বদা স্কুল লিংখৎকদবনি নিংথৌগী মতমদা চৎনরম্বা মখল মখাগী টেক্স ময়াম লৌরি। মরু ওইনা গৌড় ধর্ম্ম চৎকদবনি, চন্দন থিনগদবনি, চন্দন থিনবগী টেক্স লৌবা, অমিনবু খুল অমদগী খুল অমদা চৎপদা দোলাই তোংহল্লম্মী।

মদুগী দ্যুটি অসি খুল খুলদা চাকথাক পীহনবা, মীয়ামদা লোইনা তেকচাক নংহনবা অসিগুম্বা মীয়ামদা নমদুনা তৌহনবনি। তু, খোং, পাৎ পূম্বা মীয়ামদগী শেল খোমগৎলিবনি। লৌবুক্তগী ঙা ফাবা ফাওবা য়াহন্দে। ঈশিং চাওরকপদা পাৎতগী কারকপা ঙা যূমগী ইঙ্খোলদা চঙলকপদা ফারুবদা ফাইন লৌই। মসি মতম অদুগী অঙকপা লৈঙাক সাসননি। যূমদা হৌজবা তেরা পাম্বীগী মহৈ যূম্বুনা হেকপা য়াদে, লৈঙাক্না টেক্স লৌই। মরম চাদবা টেক্স ময়াম খোমগৎলকপগী মায়োক্তা হৌরকপা মুভমেন্ট অমনি। লোয়ননা সোসল চেঞ্জ অমা পুরক্নবা হোৎনরকপনি। মরম অদুনা চীংঙা সেসন অসি মরু ওইনা লৌরিবা অসি আইন সভা লিংবগীনি। মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎনা সাসন তৌজবগী, অহোংবা ময়াম অমা লাকপনি। মসিগী ৱারেপ অসি লৌরকপদগী মতম অদুগী বৃটিশ অমদি দরবারনা খন্নরগা ইরাবত অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লকলোইদৌরি। মসি থিংহৌদবা য়ারোই হায়দুনা মদুগী মহা সভা হান্না হায়রম্বা নিখিল হিন্দু মণিপুর মহা সভা হায়বা অসিদগী হিন্দু হায়বা ৱাহৈ অসি লৌথোকখি। ধর্ম্ম অমগী মখাদা লৈবা য়ারোই হায়বা ইরাবতনা খঙবদগী মীফম অমা ফম্লগা নিখিল মণিপুর মহা সভাদা ৱারেপ অসি লৌখি।

মসিগী ফীভম অসি উরকপদগী নিংথৌগী দরবার খুদক্তা ফম্লগা খন্নরবা মতুংদা ইরাবতনা তৌরিবা অসি ঐখোয়গী মায়োক্তনি হায়দুনা নিখিল মণিপুর মহা সভা অসি পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরে, মসিদি লৈবা য়ারোই। মসিদা লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি অমত্তা য়াওবা য়ারোই হায়না ওর্দর অমা থোকখি। মতমদুদদি ইরাবত পঞ্চায়ট মেম্বর সেসন জজ অমনি। অদুবু মহাক রিজাইন তৌখি। মতুংদা এম দি য়ুগী মীফম ফম্নবা য়াওবা লাকপদা লম্লাইদা ঈরাং থোকখি, পুলিস অমা শিখি। মদুনা মরম ওইরগা এম দি য়ুগী মীফমদু কায়খি। ইরাবত নুমিৎ অদুদগী মীরোৎ ওইখি। ●

(পাউ অসি আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবনি)

ষ্টেটকী পাউ

লমদম অসিগী টেলেন্ট লৈরবা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপা চঙই: রামেশ্বর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):

লমদম অসিগী টেলেন্ট লৈরবা শান্নরোয়শিংবু য়োকখত্তুনা অমুক্কা হেন্না মালেমদা ইরমদম মণিপুরবু শক্তাকপা ঙম্নবা পূক্নিং থৌগৎপা চঙই হায়না পাংশোই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট আর কে রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি হৈনৌপোক দিভলপমেন্ট কম্মিটি ওফিস কম রিসেপসনগী সগোলবন্দ হৈনৌপোক্তা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা গোৱাদা পাঙথোকখিবা নেসনল টাইক্বোন্দো য়ুথ গেমসতা গোল্ড মেদল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মেদল কয়া লৌবা ঙম্লকখ্রবা চহী নৌরিবা শান্নরোয় ১৩বু ওক্লদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা শেলগী মতেংসু পাংখি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঙসি ইরমদম মণিপুর মালেম্না শকখঙলিবসি লমদম অসিগী থৌনা লৈরবা শান্নরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা মণিপুরখক্কী নত্তনা লৈবাক অসিগী মায় পুরকপা ঙমখিবা অদুননি। লাইবক থিবদি ইরমদম মণিপুর অসি অয়াম্বনা লৈত-লায়রবা ওইবা মরম্না টেলেন্ট লৈরবা শান্নরোয়শিং অসিদা মতমগা চুনরবা শান্নবদা চঙবা মচাকশিং অমদি চীঞ্জাকনচিংবা পীজবা ঙমদে। লোয়ননা মখোয়বু লমজিংনবীনবগী লম্বীশিং পীবা ঙমদ্রি। করিগুম্বা হায়রিবা মচাকশিং অসি ইরমদম অসিগী টেলেন্ট লৈরবা শান্নরোয়শিং অসিদা পীবা ঙম্লবদি অমুক্কা হেন্না লমদম অসিগী মায় পুরকপা ঙমগনি। ঙসি মণিপুরদা স্পোর্টস হাউস অমা ওইবা ঙমদুনা সেন্টরনা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিনচিংবা শাবীরক্লিবা অসি লমদম অসিগী টেলেন্টশিং খঙবীবনি। নহা ওইরবা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংবু ঐখোয়না ঙমজবা মতেং পাংবগী তঙায় ফদবা লৈরি। মখোয়বু গাইদ তৌবীবগা লোয়ননা মতমগা চুনবা মওংদা স্পোর্টসকী ইক্বিপমেন্টশিং ফংহনবা অমদি অফবা চীঞ্জাক চাবা ঙম্নবগীদমক লৈঙাক্নসু অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলিবা অসিগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী তঙায় ফদবা লৈরি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হৈনৌপোক দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টিঐচ পিশক, সোসল ৱর্কর এল সুরেন, কম্মিটি অসিগী মেম্বর ৱাই বিনোই, এল থোইবা, ঈ তোম্বা, সীঐচ কালা, এম সনাতোন অমদি লমদম অসিগী শক্নাইরবা মমিরোই বোকুলসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মীদিয়াগী ফীল্ডদা থবক তৌরিবা পাউমীশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎখি।

‘চীংঙা মীফম নীংশিংবা চঙই’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):

চীংঙা মীফম হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা মরম্না অওনবা মণিপুর অমা পুরক্নবগীদমক্তা লমদম অসিগী নহাশিংনা নীংশিংবা চঙই হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সী পি আইগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা চীংঙা মীফম নীংশিং থৌরম অদুদা মখা তারদুনা সোতিনকুমারনা হায়, জননেতা ইরাবতনা মপান্দা লাইরিক তম্বা চৎলুবা মতমদা থেংনরকখিবা কয়া অদুনা মণিপুরদা অওনবা অমা পুরক্নবা হোৎনখিবনি।

ধাকাদা মহাক্ন লৈরিঙৈ মতমদা থেংনরকখিবা অমদি উরকখিবা কয়াদুনা ইন্দিয়াগী লম খূদিংদা হৌবা ঈহৌ কয়া খঙলকখিবা অদুনা মণিপুরদা শান্ন-খোৎনবা, চেফোঙ পুথোকপা অমদি দ্রামা লিংখৎলকপগী থবকশিং পায়খৎলকখি। মতম অদুদা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইবা মরম্না পোলিটিকেল পার্টি লিংখৎপদি য়ারোই হায়বসি মহাক্না খঙখি। মরম অদুনা মহাক্না নিংথৌবু প্রসিদেন্ট ওইহল্লবা মতমদা মণিপুরী হিন্দু মহাসভা লিংখৎখি।

মণিপুরগী মপান্দা চোইনা তাখ্রবা অৱা লানদগী চৎখিবা মণিপুরীশিংদা ঐখোয়গী লোল অমসুং ট্রেদিসন খোমজিন্নবসু হোৎনখি। কুমজা ১৯৩৮ গী দিসেম্বর ২৯দগী ফাওবা নুমিৎ নীনিগী চীংঙাদা ফমখিবা মীফম অসি মণিপুরগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইবা মীফম অমনি। মসিদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুনা মণিপুরগী অহোংবা অওনবা অমা পুরকপগী লম্বীদা চাওনা মতেং পাংদুনা মণিপুরী মীয়াম্বু মীকপ থোকহনবা হায়বদু ওইখি। মীফম অদু বৃটিশ কোলোনিয়নগী মায়োক্তা চপ চানা থেংনখিবা মীফম অমনি হায়না ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর সাইন্টিষ্ট এ সী শর্ম্মা অমসুং সী পি ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি এস য়াইমসু শরুক য়াখি।

শান্নরোয়শিংনা মেদল ফংলক্লবা মতমদতা ওকপগী থবক থাদোক্লসিঃ রোমেন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):

শান্নরোয়শিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং শকখঙবা ওইনা আওটষ্টেন্দিং স্পোর্টস পর্সনেলিটিজবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমা শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা শিংজমৈ এ সীগী এন পি পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইনাম রোমেনগী যূমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহাক্না হায়, ঙসি ইরমদম অসিদা শান্নরোয়শিংনা মেদল ফংলক্লবা মতমদতা ওকপগী থবক অসি থাদোক্লসি। শান্নরোয়শিংনা মেদলনচিংবা লৌরক্তুনা ষ্টেট অসিগী অমদি লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্লবা মতমদতা মখোয়বু ওকপগী থবক তৌদুনা লাক্লি। মদুগী মহুত্তা মখোয়বু হান্না শেমগৎলগা মিংচৎ তান্নবগী ৱাখল্লোন অসি গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়াম্না খঙদবগুম তৌই। অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌবীরোইদবনি। মদুগী মহুত্তা মখোয়বু গ্রাশরূট লেভেলদগী শেমগৎপগী তঙায় ফদবা লৈ। মদুনা মখোয়বু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্বদা নত্তনা লমদম অসিবু মালেমদা নীংথিনা শক্তাকপা ঙমগনি। মসিগীদমক অঙাংশিংবু শান্ন-খোৎনবদা হেন্না থৱায় য়াওহন্নবগীদমক স্কুলগী করিকুলমদা অমদি সিল্লেবসতা তঙায় ফদনা স্পোর্টসকী দিসিপ্লিন অমদি শুংশোয় শোয়দনা য়াওহনগদবনি। মসিনা অঙাংশিংবু শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওহনবা ঙমগনি।

লৈঙাক অসিনসু শান্নরোয়শিংগী-দমক স্পোর্টস পোলিসি অমা শেম্বীগদবনি। মদুনা শান্নরোয়শিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। করিগুম্বা শিংজমৈগী মীয়াম্না এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইহনবীরবদি শান্নরোয়শিংগীদমক স্পোর্টস পোলিসি অমা শোয়দনা শেমগনি। মসিগী মনুং চন্না শান্নরোয়শিংখক নত্তনা কোচশিংসু শেমগৎনবা হোৎনগনি। মণিপুরদা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মেদল লৌবা ঙমগদবা শান্নরোয় কয়া লৈরি। অদুবু শৌগৎপীনবা লৈতবদগী কাংখ-থাঙ ওইদুনা লৈরে। গভর্ণমেন্টনা থৌরাং অমত্তং লৌখৎপীরবদি নহাশিংনা শান্ন-খোৎনবদা হেন্না থৱায় য়াওশিন্দুনা অরানবা লম্বীদা চৎখিগদবদগী কনবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এন পি পি মণিপুর য়ুনিটকী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি সেঞ্জম সুরজিৎ, এন পি পি শিংজমৈ ব্লোককী এদভাইজর এল গুনধোর অমসুং এন পি পি শিংজমৈ ব্লোককী প্রসিদেন্ট কে হরিমোহোননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

ৱর্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস):

মণিপুরী ইন্সেম্বল কমপ্লেক্স লংথবাল কুঞ্জদা আর্ট সোসাইটি মণিপুরনা শীন্দুনা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা পাঙথোক্লককপা অহানবা ৱিমেন আর্টিষ্ট ৱর্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ৱিমেন আর্টিষ্ট ৱর্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্র অমদি মণিপুর ইন্সেম্বল ঠীএটর কমপ্লেক্সকী দিরেক্টর ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, ফাইন আর্টস সবজেক্টপু হৌজিক্কী মতমদা তঙায়ফদবা লৈরকপনা মরম ওইরগা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা পাম্না তমজবা ফংনবগী ৱাফম ফোঙদোকখি। আর্টস সোসাইটি মণিপুরনা অসিগুম্বা নুপীশিংখক্তগী ওইবা ৱর্কশোপ অমা শীল্লকপা অসি পূক্নিংদা অপেনবা ফাওই হায়খি।

থৌরম অদুদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুটশিংদগী মাষ্টর অমদি দিগ্রী কোর্স তম্লিবা মহৈরোয় ২০লোম্না শরুক য়াখি।

ৱর্কশোপ মনুংদা ফংখিবা লৌশিং পূম্নমক অদু অতোপ্পা মীওইশিংদা শেয়র তৌবদা নত্তনা মখা তানসু অসিগুম্বা ৱর্কশোপশিং অসি হেন্না পাক-চাওনা শীলহন্নিংবগী অপাম্বা ৱর্কশোপ অদুদা য়াওরিবা মীওইশিংনা ফোঙদোক্লখি।

ꯄꯣꯁ꯭ꯠ ꯚꯦꯀꯦꯟꯁꯤ/**POST VACANCY**

RUDA ACADEMY, THOUBAL
AFFILIATED TO CBSE-NEW DELHI, AFFILIATION NO : 1230036

Sl No.	Name of Post	Qualification	Age	Pay
1.	Warden (Male-1 and Female-1)	M.A./M.Sc.	35 And Above	10000
2.	Security Guard	10+2	18	8000

Last date for the submission of CV - **5/01/2022**
For more details:
CONTACT - 7640871184

Sd/- **Principal,**
Ruda Academy, Thoubal
HL-P/1104/29,30,31

RUDA ACADEMY, THOUBAL
AFFILIATED TO CBSE-NEW DELHI
AFFILIATION NO : 1230036

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ/**ADMISSION OPEN FOR THE SESSION 2022-2023**

Form available at the academy counter during the office hour
Last date of form submission : **8th January 2022**
Last date of admission : **12th January 2022**
Common Eligibility Test : **9th January 2022**
For more details:
CONTACT - 7640871184

Sd/- **Principal,**
Ruda Academy, Thoubal
HL-P/1104/29,30,31

ꯂꯣꯟ / **LOAN** ꯂꯣꯟ / **LOAN**

LOWEST INTEREST

1) Business Loan 2) Daily Installment Loan
3) Vehicle Loan (Two Wheeler only)
4) Piggery Loan 5) Poultry Loan
6) Weaving Loan

Area Cover : Thoubal & Kakching District

JOB NEWS

1) Collector 8 no. - 10 Passed (Boys & Girls)
2) BDO 4No. - 12/Graduate Passed
3) R.O. 2No. - 12/Graduate Passed
4) Reception 1 No. - 12 Passed (Kakching Branch)
5) Assistant Field Officer 5 No. - 12 Passed
(Age :- All Post below 30)

Last date of form submission - 30/12/2021
Date of Interview - 03/01/2022
Office hour - 10 AM to 4 PM

8787370703
Sd/-
Office of the LAININGTHOU PVT. LTD.
Thoubal Bazar, Leitanthem Leirak And
Kakching Branch, Axis Bank
Building
HL-B/7352/11/12-12/01

ꯌꯥꯝꯅ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯖꯔꯦ / য়াম্না নুংঙাইজরে

(সুধাকর (শামু

ঐগী কিডনী অনীমক্তা নুঙ অহুম লৈবদগী (য়েৎ থংবদা 4mm ওই থংবদা 9mm, 7mm) সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই.টি.আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্দী (মেদিসিন)গী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ান, স্পিসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি (ষ্টোন)না হপ্তা তরানিথোই (১২) থা অহুম লায়েংবীরবা মতুংদা ঐগী নুঙশিং অদু লোইনা তাখ্রে। অনৌবা অল্ট্রা সাউন্দ লৌরুবদসু লৈবা উদ্রে। মসিগী য়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **M. Shyam Singh**
Moirang Kampu Maning Leikai
HL-P/1117/31,1,3

ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ / শেংদোকচবা

ঙসিদগী ঐহাক B.J.P. গা মরী অমত্তা লৈনজদ্রে, B.J.P. গী থবক থৌরমদগীসু পোখাজরে।

শেংদোকচরিবা : **Khaidem Ranjit Singh**
Khurkhul Makha Leikai
HL-P/1119/31

ꯃꯥꯡꯈ / ADMIT CARD LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination, 1990 bearing Roll No. 28088 issued by BOSEM on the way between Babupara and my residence on 6/12/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Oinam Promila Devi**
Oinam Sawombung
HL-P/1118/31

ꯃꯥꯡꯈ / SMART CARD LOST

I have lost my Original Smart Card of Vehicle L.M.V. of 2014 model of white colour, bearing Registration no. MN06LA 0820 Engine no. 2432 and Chassis no. - 8702 issued by DTO Imphal East on the way from Kakwa to Kalimai (Babupara) on 27th December 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Ningombam Meghachandra**
Singjamei Makha Khongnang Pheidekpi
HL-P/9592/31

OFFICE OF THE YAIPHARE GROUP OF FINANCE H.O. : CHINGMEIRONG - IMPHAL

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dt : 29th December 2021

নুংশিজরবা ঐখোয়গী Customer শিংদা মখাগী ৱারোল খরা অসি খঙহঞ্জরি, মদুদি ঐখোয়গী Office অসি লাক্লিবা তাং ১৩-১-২০২২ ইং ফাওবা Office লোঞ্জগনি।

মরম অসিনা Customer শিংগা ঐখোয়গী Y.G. Finance কা হায়নখিবা পূম্নমক চহী লোইশিল্লকপগা মরম ওইরগা Loan পীবা অমদি Deposit Refundable খূদিংমক খূদোংচাদবা লৈরে।

অদুগা মখা তানা খঙহঞ্জরি মদুদি মখা তাবা পীফম থোকপা Loan অমদি শেনফমশিংসু ঐখোয়গী Banker অমসুং Investor শিংনা Financial Years শিংগী Loan পীবা Transaction তৌবা য়াদে হায়দুনা লেপ্পুনা লৈরে। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী Office অসি Financial Transaction অমত্তা তৌবা ঙমজদরে। খূদোংচাদবা ময়াম অসিগীদমক নুংশিজরিবা Customer Loanees শিংনা ৱারৌবীদনবা News Paper গী খূত্থাংদা নোল্লুকচরি।

Sd/- **Managing Director**
Y.G. Finance, Chingmeirong - Imphal
HL-B/7396/31

OFFER / ꯑꯣꯐꯔ **OFFER / ꯑꯣꯐꯔ**

য়েন্নাও অমদা লুপা ২৩ দা ফংবীগনি।

লাক্লিবা January গী তাং ৯দা Kuroiler, Black Rock, F.F.G., Banaraja, Layer (B.B. 380) অমদা লুপা ২৩দা ফংবীগনি। থাংজ খূদিংগী য়েরুম, ঙানু মরুম হাপচগনি। নোংমাইজিং খূদিংগী য়েন্নাও অমদি ঙানু মচা হোঙনা ফংবীগনি। Farmer শিংনা advance booking তৌবীয়ু। Corona Virus না কা-হেন্না ৱাহল্লিবা ইরমদমসিগী Farmer শিংবু অনৌবা চহীনা লাকপসিদা অনৌবা আশা কয়াগা লোয়ননা হরাও মীনোক তমহল্লগে খঞ্জদুনা কখোকপনা মাংদা থমজরগা অসিগুম্বা খূদোংচাবা অসি পীজবনি।

লেংশিনবীরকসি : **EMOINU HATCHERY**
Eastern Ground Leirak, Near BSNL & Postal Colony,
Palace Compound, # 9436085117
HL-P/1120/31

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / খোঙ হাম্বা মতমদা পায়াগুম্না য়াম্না পীক্না তারকপা, অমাংথোঙ মনুংদসু খুজিনবা অমাংবদু লোইনা তারকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা শংলগা অদুম লৈনিংবা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, পূকচেপ মনুংদা চক-চক থিনবা নারকপা তারগদি খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা পায়াগুম্না য়াম্না পীক্না তারকপা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, অমাংবদু লোইনা তারকউ য়াদবা, খূৎনা শেংনা কোৎলগা লৌথোকপা, অমাংথোঙ মনুংদু খূৎনা থিঞ্জিল্লগা য়েংবা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদসু অপোম্বা অমা থেংনবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু ফুরি মচা-মচা শৌরগা নাই চারকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, হামেং মথিগুম্বা মকক্-মকক্ ওইনা হাম্বসু য়াওবা, খোঙ হাম্বদা শংলগা অদুম লৈনিংবা, কময়াদা নাবা, পূকচেপ মনুংদা চক-চক থিল্লগা নারকপা তারগদি খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, পূকচেপ মনুং চক-চক থিল্লগা নাদবা তারগদি ঈসু তারক্তবা, শা-ঙা চারগনা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা হেনবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **S. Leisamba Singh**
Nambol Bazar
HL-B/7385/31

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।